ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

WAYEL KATI

Vol. 2, Issue 077 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৩–২৪ | ইম্ফাল, থৱান ১৫ নি পানবা, ইরাই , ওগষ্ট ২৮,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।–

## এম এল এ রঞ্জনগীদা বোমগী এটেক তৌরম্লে

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮(ৱায়েল কাতি) ঃ** কোন্থৌজম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ ডা. সাপম রঞ্জনগী নোংয়াই মতুং পূং ১.৩০ রোম তারকপদা কোন্থৌজম ময়াই লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হনখ্রে। থৌদোক অদুদা মী অমত্তা অশোক–অপন য়াওখিদে। বোম লংশিন্দুনা এটেক তৌবগী থৌওং অদু চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌদোক থোকফমদা লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

## কোলেজ হাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮(ৱায়েল কাতি) ঃ** পালি ইনাৎ শিল্লোল শিন্তম শঙ হায়না মিংথোনবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা শকখঙলবা কলচরেল দিগ্রি কোলেজ অমা ঙসি পন্থৌ ইশাইকোল–নুং, নোংপোক চীংঙু থোং, মৈতৈ লাইকোল, থল্লো শিপি লোক, শেল্লোই লমাই চীং, ইম্ফাল ইষ্টতা হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সৈত্যব্রত্তা, পালি ইনাৎ শিল্লোল শিন্তম শঙগী গভর্নিং বোদিগী চ্যেরমেন ডা. থাংজম মুনিন্দ্রোসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সৈত্যব্রত্তানা হায়, ঙসিগী থৌরম অসিনা ঐখোয়গী নাৎ কলচর য়োকখৎনিংবগী অপাম্বা হেন্না পোকহল্লে হায়খি।

## ফ্রি হেল্‌থ কেম্প

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮(ৱায়েল কাতি) ঃ** থা অসিগী ৩০গী অয়ূক পূং ১০ তবদা মণিপুর শেন্মিৎলোল ঈহৌ লূপ (মশেল)না সি তি পুলিস ষ্টেসন, সেভা ভারতি মণিপুর, লৈমা চনু নৱা তেংবাং লূপ, দি মণিপুর হার্ট ক্যের সোসাইটি, নেশ্নেল মেদিকোস ওর্গনাইজেসন, শকশম মণিপুর অমদি ভারত ভিকাশ পরিষদ মণিপুরগা খূৎশম্নরগা খ্বাইরবন্দ কৈথেলদা পোৎফম ফল্লিবী ইমা অমদি অকোয়বদা লৈরিবা নোংমগী চরা তানবগী থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী নোংমগী ওইবা ফ্রি হেল্‌থ কেম্প অমা কৈথেল অসিদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## য়ু পি এফকী মপোক কুমওন

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮(ৱায়েল কাতি) ঃ** য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)কী ২৮শুবা মপোক নুমিৎ কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট এন রূপচন্দ্র, কোকোমিগী কনভেনর ৱাইকে খিরেন, অমজুগী পঅসিদেন্ট অসেম ভক্ত, ইম্ফাল কোলেজকী পোলিটিকেল সাইন্সকী রিটয়ার্দ ঐচ ও দি কে সেথজিৎ, য়ু পি এফকী এদভাইজর এল যাদুমণিনচিংবা শরুক য়াখি।

## হয়েংগী নোংদম

২৯।০৮। ২০২৬

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

- **মেষ** – থবক তৌবদা পাঙ্গল থোকপা, ৱারেপ লৌবদা থাজবা থম্বা য়াবা নুমিৎনি খোঙচৎসু ফংগনি।
- **বৃষ** – পন্দুনা লৈরম্বা থবকশিং লোইশিঞ্জবা ঙম্বগী মতমনি। শেল থুমগী খোঙচৎ ফগনি।
- **মিথুন**– থবক তৌবদা ৱাখল থোকপা, খূদোংচাবা ফংবা য়াবা নুমিৎনি। পোৎ লৈবদা খন্থৌ।
- **কর্কট**– নথন্তা থবক তৌগে খনগনু, ময়াম পুল্লগা থবক তৌরগদি মায় পাক্কনি।
- **সিংহ**– মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নবা য়াবা নুমিৎনি। শেল থুমগী মরমদা খূদোংচাবা ফংগনি।
- **কন্যা**– থবক্কী মরমদা মায় পাক্লবা থৌরাং তৌবা য়াগনি। মরু ওইবা থবকসু লোইশিঞ্জবা ঙমগনি।
- **তুলা**– থবক তৌবদা পাঙ্গল থেশকপা য়াবা মতম নত্তে। পোৎমাঙ চৈমাঙ থোকপা লৈ। চেকশিল্লু।
- **বৃশ্চিক**–মীগা মুক্লবা, থবক তৌবদা মৈশা লাংবা, ইমান্নবা তিন্নবদা মত চান্নদবা লৈ।
- **ধনু**– মহৈ মশিল তম্বা অমসুং চাউখৎননবা থবক তৌবা য়াবা নুমিৎনি। শেল লাক্কনি।
- **মকর**–নহাক্লা থবক কন্না শু–নোম্বদুগী ফল উবা ফংগনি। হকচাং কয়া নুংঙাইরোই।
- **কুম্ভ**– থাজদবা মওংদা খূদোংচাবা খরা ফংগনি। কান্নদবদা শেল চৎকদবা মরম লৈ।
- **মীন** – নহাক্কী থবক্তা থাজবা থম্মু। অদুবু হঞ্জিন হঞ্জিন্না চেকশিন্না য়েংদবদি য়ারোই।

# মণিপুর পূম্বদা জে এফ দিনা সেপ্টেম্বর ১দা পূং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে

## ‘ওর্দর থোক্ত্রগদি সেপ্টেম্বর ৭তগী মতম কক্তনা বন্দ তৌগনি’



ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা নেশ্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন (এন আর সি)অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস য়েথোক্লে হায়না ওগষ্ট ৩১গী নোংয়াই ফাওবগী মনুংদা লাউথোরক্ত্রবদি নুমিৎ অসিগী নোংয়াইদগী সেপ্টেম্বর ১গী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুর পূম্বদা পূং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোক্লে হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন ( জে এফ দি)গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাংখে সোইবম লৈকায়দা লৈবা সিটিজেন ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়, লৈবাক মীয়াম অমদি জে এফ দিনা মণিপুরদা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিফাওবা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়না তকশিনবনা মরম ওইরগা চীফ মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা দিল্লিদা চৎতুনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী লীদরশিং উন্নরবা ফাওবদা সেন্সস য়েথোক্তুনা এন আর সি অপদেট তৌনবগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। ওগষ্ট ৩১গী অহিং নোংয়াই ফাওবগী মমাঙদা সেন্সস য়েথোক্তুনা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌগনি হায়বা ৱাফম ওফিসিয়েল ওইনা লাউথোক্ত্রবদি নুমিৎ অসিগী অহিং নোংয়াইদগী সেপ্টেম্বর ১গী অহিং নোংয়াই ফাওবদা পূং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোক্লে। সেপ্টেম্বর ২, ৩ অমসুং ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা হাউসনা মণিপুরদা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিফাওবা সেন্সস পাঙথোকহন্দনবা ৱারেপ লৌগদবনি। লোয়ননা সেপ্টেম্বর ৭তা মণিপুরগী মীয়াম্না এসেমব্লিদা ‘নো এন আর সি, নো সেন্সস’কী ৱারেপ লৌব্রা হায়না য়েংশিনবগী খোঙজং অমা এসেমব্লি তম্না চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরে।

মহাক্না মখা তানা হায়, করিগুম্বা এসেমব্লিনা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ৱারেপ লৌদ্রবদি সেপ্টেম্বর ৭কী অহিং নোংয়াইদগী মণিপুর পূম্বদা মতম কক্তনা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি। করিগুম্বা হাউসনা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না ৱারেপ লৌদ্রবদি পূং ৪৮গী মতম পীবা ওইনা সেপ্টেম্বর ৮ অমসুং ৯ ফাওবগী মনুংদা ওর্দর থোক্লবগী মতম ঙাইগনি। করিগুম্বা মতম অসি ফাওবদা লৈঙাক্লা সেন্সস য়েথোক্লে হায়বগী ওর্দর মণিপুর মীয়ামদা উৎপা ঙমদ্রবদি সেপ্টেম্বর ১০দগী হৌনা সেন্সস য়েথোক্ত্রিবা ফাওবদা মণিপুর পূম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি। নো এন আর সি নো সেন্সসকী দিমান্দ ফংদ্রিফাওবা হরাও কুম্মৈনচিংবা অমত্তা পাঙথোক্পীগনু হায়খি।

### নাগা ৪গী হকচাং সেনাপতি য়ৌরকপদা মীয়াম থম্মোয় শোক্লখ্রে

# কুকি টেরোরিষ্টশিংগী লোইবা নাইদবা মীহাৎ–মীপূন্দা মীয়াম শাউবা হেল্লক্লে



ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী মকুই অশাং অমসুং থনম্বা নাগা ভিল্লেজগী লোন্নবা মফম অমদা ঙরাং কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথবদা লৈখিদ্রবা লিয়াংমৈ নাগা মীচম ৪গী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটালদা পুরকখ্রে।

কুকি টেরোরিষ্টশিংনা ঙাইহাক লৈতনা মীচম মীয়াম এম্বুস তৌদুনা হাৎপগী থৌদোক লোইবা নাইদনা চথরকপদা চীং অমসুং তমদা লৈবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা অশাওবা ফোঙদোক্লরক্লি।

থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং অদু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটালদা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগী পুরকপদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা লিয়াংমাইগী খুল অমা ওইরিবা থোংলাং অতোংবদা ইকাই খূম্নবা উৎখি। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পুরকপগী লম্বীদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না পরেং শানা লেপ্তুনা লৈখিদ্রবা ৪গী মফমদা অরোইবা ওইনা ইকাই খূম্নবা উৎখি। ঙরাংগী থৌদোক অদুদা ফীভম থীনা শোকখিবা গাইকামাঙ রিংকাংমাই (৪৮) হৌজিক হৌজিক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটালদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি।খূৎলায় পায়বশিং অদুগী এটেক অদুদগী নান্থোকহৌরবা থোংলাং অকুৎপদগী মহৈরোয় লূচিংবা জাপৌ এম কেসু দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটালদা লাকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকাই খূম্নবা উৎখি। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ত হেদ ক্বার্টরসতা লৈবা দুকান অমদি লল্লোন ইতিক তৌফমশিং খূদক্তগী থোং লোনশিন্নবা খঙহনখি। য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনসু থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা ঙসি অয়ূক পূং ৬তগী নুমিদাংৱাইরম পূং ৬ ফাওবা নাগাশিংনা নম্মা তাবা মফম পুম্নমক্তা টোটেল সটদাউন লাউথোকখি।

অমরোমদা ঙরাং আই টি রোদতা কুকি খূৎলায় পায়বা কে এন এফ (পি), কে এন এফ অমসুং কে আর এগী কাঙবুগা কে এন এফ। য়ু পি এফকী হোম সেক্রেটরি ওইরিবা জাংবোই কিপগেননা লুচিংদুনা লিয়াংমাই নাগা মীচম ৪ হাৎখিবা, অমবুনা তমথিনা অশোক–অপন নংহনখিবগী থৌওংবু পিপলস য়ুনাইটেদ য়ুঠ এল্লাইয়েন্স (পুয়া)না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লোংজম অবোথে মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

আই টি রোদতা নাগা মীচম ৪ তমথিনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবু লিয়াংমাই ইম্ফাল মার্কেট কম্মিটিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

### মপাল্লমগী পাউ

## টিবেটতা ডাম কায়রকপদগী নেপালগী ঈচাও অমুকসু খূদোংথিনিংঙাই ওইগদৌরি

কথমন্দু, অগষ্ট ২৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ টিবেটতা ডাম কায়রকপনা মরম ওইরগা নেপালদা অমুক হন্না খূদোংথিনিংঙাই ওইবা ঈচাও মায়োক্লগদৌরি। নেপালগী ঈচাওদা শিখিবা মীওই ৪৭৫ য়ৌখিবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মফমদা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক মতম খরগী ওইনা লেপখ্রে। অদুম ওইনমক ত্রিসুলি মনাক নক্লা লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমদা হোংদোকহনখি। ওথোরিতিশিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্না টিবেটতা ডাম কায়রকপনা হেন্না খূদোংথিনিংঙাই ওইবা ঈচাও মায়োক্লবা য়ানা লৈরে। ঈশিংগী ঈমায় লেপ্তনা ৱাংখৎলকপদগী রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মতম খরগী ওইনা মথৌ তৌবা লেপখি। তোঙান তোঙানবা রেস্ক্যু টিমশিংনা হৌজিক ফাওবদা অশিবা হকচাং ৪৭৫ ফংবা ঙম্লে। মীওই ১,৫৪৫ মতম চানা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। নেপাল টুরিজম বোর্দকী রিপোর্ট মতুং ইন্না ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমদা নেপালি ১২৭ য়াওনা লমকোয়বা মীওই ৬৬৭ থিবা খঙদনা লৈরি। ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদগী ইন্দিয়া মচা ২১ রেস্ক্যু তৌখিবগা লোয়ননা নেপালদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা নাবি সিবষ্টাবানা মীওইশিং অদু অথুবা মতমদা অশোয় অঙম য়াওহন্দনা ইন্দিয়াদা য়ৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

## কাশ্মিরদা টেরোরিষ্ট ৫ য়াওনা এন্তি–নেশ্নেল ১৩ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ফারে

শ্রিনগর, ওগষ্ট ২৮(ৱায়েল কাতি)ঃ কাশ্মির তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিস, ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং সি আর পি এফকী অপূনবা টিম অমনা থি–হূম্বগী থবক চথবদা হাইব্রিদ টেরোরিষ্ট ৫ য়াওনা এন্তিনেশ্নেল ১৩ ফাগৎপা ঙমখ্রে। মশিং য়াম্লবা নোংমৈ, নোংমৈ মরূ অমদি হেন্দ গ্রেনেদনচিংবসু ফাগৎপা ঙমখি। ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংগী রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চীংননিংঙাই ওইবা মফমশিংদা থি–হূম্বগী থবক চথবদা মীওইশিং অদু খূৎলায়গা কোন্ননা ফাবা ঙমখিবনি। অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সেসনা লাইন ওফ কন্ট্রোল, মরু ওইবা টাউন অমদি হায়ৱেশিংদা চেক পোইন্ট হাংদোক্তুনা অকনবা চেকিশিন থৌরাং লৌখৎলি।কাশ্মিরগী তেঙ্গান তেঙ্গানবা সেক্যুরিতিইষ্টব্লিসমেন্টশিংদা এটেক চথগদৌরে হায়বগী পাউ ফংবদগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা মাঙজৌননা থি–হূম্বগী থবক চথবদা ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

## সেন্টরনা মণিপুরগী ওইনা মীকোক থীবগী থবক য়েথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈঃ শান্ত নহাকপম



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ৱায়েল কাতি) ঃ** মণিপুরগী ওইনা মীকোক থীবগী থবক য়েথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না সি এস ও ১৪, কংলৈপাক্কী কনভেনর শান্ত নহাকপমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা চৎতুনা তোঙান তোঙানবা লূচিংবশিং উন্নরগা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজন মশক খঙদোক্ত্রিবা ফাওবা মণিপুর সেন্সস পাঙথোকপীগনু হায়না তোঙান তোঙানবা লূচিংবশিং তকশিল্লুবা সি এস ও ১৪গী মীহুৎ অমদি কম্যুনিতি লীদরশিংগী মীহুৎ কাঙবু ইম্ফালদা ঙসি থুংলখ্রে। ইম্ফাল ইন্টরনেশ্নেল এয়রপোর্টতা পাউমীশিংগা উন্নবদা সি এস ও ১৪ কংলৈপাক্কী কনভেনর শান্ত নহাকপমনা হায়, ন্যু দিল্লিদা লৈরিঙৌদা তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ওফিসিয়েলশিং, সেক্যুরিতি ওথোরিতি অমদি পোলিটিকেল লীদরশিং উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। ওগষ্ট ২০দা মীহুৎ কাঙবু অসিনা ন্যু দিল্লিদা থুংলখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙান য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমদি পোলিটিকেল লীদরশিং উন্ননবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দ অমদি হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা রুল্লিগী এম এল এ কয়ানা মতেং পাংখি। মীহুৎ কাঙবু অসিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু, বি জে পিগী নেশ্নেল প্রসিদেন্ট নিতিন নাবিন অমসুং সেক্যুরিতিগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েল কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মপুং ওইনা খন্নখিবা ৱাফমদি ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজন খন্দোক্ত্রিফাওবা মণিপুরদা সেন্সস তৌহন্দনবগী মতাংদনি হায়রি।

## আইটি রোদতা এম্বুস তৌদুনা নাগা মীচম ৪ হাৎখিবগী থৌদোক অকনবা মওংদা কন্দেম তৌইঃ লূপ ৫

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮ (ৱায়েল কাতি) ঃ** ঙরাং অয়ূক পূং ৮ঃ৩০ রোম তাবা মতমদা মশক খঙদবা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বশিংনা আই টি রোদতা চথরকখিবা এম্বুসতা নাগা মীচম ৪ হাৎখিবগী থৌদোক অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস, ওর্গনাইজেসন (অমুকো), ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিয়েসন (অমাৱোভার, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর (পি এল এম পি এ এম), কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস ( কোহর) অমদি মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদ্দরেসন (এম এস এফ)না পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, অসিগুম্বা মীচম মীয়ামদা চথবা এম্বুস খুদক্তা লেপকদবনি। মণিপুরবু মীহাৎপুং ওন্থোক্লবা হোৎনবদা ফুরুপ অমত্তা শৌগৎলোইদ্রবনি। লোয়ননা অসিগুম্বা তমথিরবা এটেক অসি মখা তানা চথরক্লবদি মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা চীংনরিবা আর্মদ মিলিটেন্টশিং ফান্দুনা অহকপা চৈরোক পীগদবনি। লৈঙাক্কী অরৈবা ফোর্সশিং শীজিন্নদুনা নৌহৌননা ষ্টেট অসিদা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসি থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি। লোয়ননা লৈরিবা লৈরিবা সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং ষ্টেট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন মপুং ফানা পাঙথোক্লনবগীদমক দিপ্লোই তৌরিবনি। অদুনা ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্টনা অকনবা থবক পায়খৎতুনা মীচম মীয়ামগী পূন্সি কনগদবনি অমদি কন্সটিট্যুশ্নেল এন্দ লিগেল রাইট অমা ওইরিবা মীয়ামগী লন–থুম ঙাকপগী হক লৈঙাক্লা অথুবদা পায়খৎকদবনি হায়রি।

## ক্রশনা লূচিংবা কাঙবুনা এমসুগী ৬১ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ৬১শুবা মপোক কুমওন থৌরম ক্রশনা লূচিংবা কাঙবুনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর নাওরেম জয়কুমার, দি এম য়ুগী রেজিষ্টার আর কে জোতিন, কলচরেল এক্তিভিষ্ট নিংথৌজা লানচা, সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট ধনবির লাইশ্রম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার কাঙুজম সনাতোম্বনচিংবসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ক্রশনা লূচিংবা এমসুগী প্রসিদেন্ট ক্রশ পেবমনা হায়, ঈরাং তোয়না থোকপা অমদি তংদু লৈতাদবা লমদম অমদা পোক্লবনা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক্লা মহৈরোয় অমদি মীয়ামদা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা শাফু কয়া পীদুনা লাক্লি। লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা লাইরিক লাইশু তমদবতা নত্তনা ৱাথোকশিংদ্দা হকথেংননা শরুক য়াদুনা লাক্লি হায়বা এমসুগী চহী ৬১গী পুৱারীনা লেংদ্রবা খূদমনি। হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লোইশিন্নবা হোৎনরবসু লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংনা পুকচেল শেংনা থৌদাং লৌমিন্নদ্রবদি মহয় য়ানবা ঙম্লোই হায়খি।

## মালংবনা লূচিংবা কাঙবুনা এমসুগী ৬১ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮ (ৱায়েল কাতি) ঃ** ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ৬১শুবা মপোক কুমওন থৌরম লুক্রাম মালংবনা লূচিংবা কাঙবুনা শীন্দুনা পেলেশ কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লিলা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লুক্রাম মালংবনা লূচিংবা এমসুগী প্রসিদেন্ট মালংবনা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক অমদি মণিপুর খুন্নাইগীদমক পাঙ্গল থৌনা ফুদোক্তুনা এমসুনা লেপখিগনি। কুমজা ১৯৬৫ দা থোককিবা খূৎশেমগী চাক তাঙবগী থৌদোক অদু লমদম অসিদা পুথোকপা পোথোকশিং লল্লোনবশিংনা মপান লমদা পুথোকখিবদগী থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা হৌনরুবা নাইদনা লমদম অসিগী মীয়াম্না মতম অদুদা পাল্লিবা লৈঙাক্কী মথক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনবদা থৱায় কৎখিবা মহৈরোয় ৪দা ইকাই খূম্নবা উৎতুনা ওগষ্ট ২৭তা চাক্লাম খোঙচৎ পালন পাঙথোক্লবা মতুং ওগষ্ট ২৮দনা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা হৌনরুবা নাইদনা মহৈরোয়শিংগী মীহুৎ অমা লৈত্রগদি মণিপুরগী ইশুশিং অমদি মহৈরোয় খুন্নাইগী তাবীনবা লৈররোই হায়বা মান্নবা ৱাখল্লোনদগী এমসু শাফোঙলকখিবনি হায়খি।

## নম্ফুদা য়ূমকোক থিবা চঙলকপদা থিংনবা শেম শারেঃ এন আই এম সি সি সি

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮ (ৱায়েল কাতি) ঃ** জে এফ দিনা চঙশিল্লিবা লমদম অসিদা মীকোক মশিং থীদ্রিঙৌদা য়ূমকোক থীবা য়ারোই হায়বা খোঙজং শৌগৎলদুনা ঙরাং নুমিদাং নোর্থ ইম্ফাল মৈরা অমসুং ক্লবস কো–ওর্দিনেটিং কম্মিটি (এন আই এম সি সি সি)না কোল্লিবা মফমশিংদা রেল্লি চৎখ্রে। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা নায়ামি কৌবা মৈরা পায়বী লূচিংবী অমনা হায়, লমদম অসিগী মীয়াম্না পাল্লিবা এনআর সি তৌদ্রিঙৌদা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই। লৈঙাক্লা ঙম্মী হায়দুনা নম্ফুদা সেন্সস পাঙথোক্লবা হোৎনরক্লবদি লমদম অসোমগী এন আই এম সি সি সিনা কোল্লিবা অপূনবা খুল ২০গী মৈরা পায়বী অমদি ক্লবকী মায়কৈদগী অথিংবা পীনবা শেম শাদুনা লৈরে। হৌজিক য়েলহৌমী ঐখোয়সি মীতেপ্পা লাকশিনখিদুনা মুৎখিবা য়াবগী ফীভম মায়োক্লরিবা অসিদা করিগুম্বা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়িশিংনা লৈঙাক্কী ওর্দরনি হায়দুনা য়ূমকোক থীবা চঙলক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ–ফত্তগী তেকচাক পূম্বা মশা মশানা পুজগদবনি হায়না অকনবা ৱাফম থমখি। রেল্লি অদুদা জে এফ দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনচিংবসু শরুক য়াখি।

# চিনিগী মহুৎ শিল্লিবা আর্টিফিসিয়েল স্বিটনরনা দাইবেটিশকী রিস্ক হেঙ্গৎহল্লি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ৱায়েল কাতি) ঃ** চিনি চাবা ফত্তে হায়বগীদমক খূৎশেমগী ওইবা থুমহন্নবা পোৎশক কয়া পাক শন্না শীজিন্নবা হেঙ্গৎলক্লি। তোঙান তোঙানবা আর্টিফিয়েল স্বিটনরশিং চা থকপা অমসুং অতৈ চিঞ্জাক চাবদা চিনিগী মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নরক্লি। অদুবু খূৎশেমগী থুমহন্নবা পোৎশক অসিনা দাইবেটিশকী রিস্ক হেঙ্গৎহনবগা লোয়ননা মেটাবোলিক সিন্দ্রোম হেল্লকপা য়াই হায়বা ষ্টদি অমদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা ৭২০,০০০দা চথুখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট ওফ দি ফ্রন্টিয়রস ওফ ন্যুত্রিসন জর্নেলদা ফোঙলকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, য়ুরোপ অমসুং জপানদা চথুখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, মতম শাংনা খূৎশেমগী থুমহন্নবা পোৎশক (আর্টিফিসিয়েল স্বিটনর)শীজিন্নবনা টাইপ টু দাইবেটিশ ওইহল্লকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৩১ হেঙ্গৎহল্লি ।মতমগী অওনবা মতুং কোলোরিগী চাং নেম্না য়াওবা অমসুং হক্চাং শোক্লিংঙাই ওইবা মচল য়াওদে হায়না লৌনবদগী মীওই কয়ানা চিনিগী মহুৎতা আর্টিফিসিয়েল স্বিটনর ওইনা শীজিন্নবনি।






হান্না চিনি শীজিন্নরম্বা মীওই কয়াসু ব্লদ সুগরগী চাং ৱাংখৎলকপা থেংনবদগী তঙাইফদনা চিনিগী মহুৎতা আর্টিফিসিয়েল স্বিটনর ওইনা শীজিন্নবা হৌরকখি। নুমিৎ খূদিংগী আর্টিফিসিয়েল স্বিটনর শীজিন্নবনা হক্চাংনা করি অকায়বা থোকহল্লকপগে হায়বদুগী মতাংদদি থোইদোক্লা খন্থরুবা তৌনদে। মতম শাংনা আর্টিফিসিয়েল স্বিটচর শীজিন্নরবদি থিরিলদা য়াওপা হকচাংদা য়াওবা কান্নবা মহীকশিংদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। লোয়ন–লোয়ননা দাইবেটিশকী রিস্কসু ৱাংখৎহল্লি।

থিরিলদা য়াওবা অফবা মহীকশিংদা অকায়বা থোকহল্লবদি হকচাং মনুংদা ইনফ্লেমেসন তৌরকই। মসিনা মরম ওইরগা টাইপ টু দাইবেটিশ অমসুং মেটাবোলিক সিন্দ্রোমগী রিস্ক ৱাংখৎহনগনি। মীওইবনা অরাম থৌরাংবা ফাওহল্লক্লিবসি ব্রেনগী অখন্নবা মফম অমনা সিগনেল পীরকপদগী খঙবা ঙম্বনি। গ্রেলিন অমদি লেপটিন কৌবা হোর্মোনশিং থাদোরক্লবা মতমদা ব্রেননা সিগনেল পীরক্লগা অরাম থৌরাংবা ফাওই হায়বা মীওইবদা খঙহল্লকপনি। মতম শাংনা খূৎশেমগী থুমহন্নবা পোৎলম শীজিন্নরবদি ব্রেননা মথৌ তৌবগী মওং মতৌদা অকায়বা থোকহন্দুনা মেটাবোলিক সিন্দ্রোম অমসুং টাইপ টু দাইবেটিশকী রিস্ক হেঙ্গৎহল্লি।

ব্লদ সুগী চাং ৱাংলকপা, খ্বাং নোইবা হেঙ্গৎলকপা, কোলেষ্টরোল অমসুং ব্লদ প্রেসর হেঙ্গৎলকপগী থৌওংবু মেটাবোলিক সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ। মসিনা মরম ওইরগা মীওইবনা চাশিন–থকচিল্লিবা চিঞ্জাকশিংদগী হকচাংদা কান্নরবা মচলশিং লৌশিনবা ঙম্বগী চাং হন্থরকই। লোয়ননা টাইপ টু দাইবেটিশ, হার্ট দিজিজ অমসুং ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেঙ্গৎলকই হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## ঈং তপ্পা ফীভম হঞ্জিনহন্নবা ফুরুপশিং থাজনবা লৈহনবা মথৌ তাইঃ সি এম

ইম্ফাল ওগষ্ট ২৮ তোঙান তোঙান ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা পুম্নমক কোকহন্দুনা তুং কোয়না চৎনগদবা মওংদা ঈং তপ্পা ফীভম হঞ্জিনহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ইম্ফালগী পেলেশ কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা ‘ গেষ্ট লেকচর ওন মণিপুর সিচ্যুয়েসনঃ প্রিভেল্লিং ট্রষ্ট দিফিসিট এন্দ দ পাথ টুৱার্দস ট্রষ্ট বিল্ডিং’দা ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০২৩ গী মে ৩ মমাঙদা ওইখিবা ফীভম নীংশিংদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, চীংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তোয়না চৎপা মতমদা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা থেংনখি। অদুম ওইনমক কুমজা ২০২৩গী মে ৩ দা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মরম ওইরগা অচৌবা অহোংবা অমা লাকখি। তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবশিং অসি ইচম চম্না খন্ন–নৈনরগা কোকহনবা ঙম্লোই। তোয়না উন্নদুনা ৱারী শান্নবা অমসুং কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা ৱাখল তামিন্নরবা মতমদা থাজনদবশিং কোকহনবা ঙমগনি। অনৌবা লৈঙাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমদি ঈং তপ্পা ফীভম হঞ্জিনহনবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়, পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা করিগুম্বা ফীভম অমত্তদা মন্তিক্লবা তৌরোই। ভিক্তিম ওইহৌরবশিংদসু অচূম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনগনি। তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প অমদি চীংগী দিষ্ট্রিক্তশিংদা চৎতুনা কাঙলূপ কয়াগী মীওইশিং উন্নবদা মীপূম খূদিংমক ঈং তপ্পা ফীভম হঞ্জিনহন্দুনা মশা মশাগী য়ূমদা হান্নগী মতৌগুম লৈনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরকখি হায়খি।

